# ৱারীমচা

## ওম্থোকপা মঙগুম্বা

*– ধনশ্যাম ৱাহেংবম –*

"কমল! ও, কমলঃ"

মপালদগী কনাগুম্বা অমনা কৌরকপগী খোঞ্জেল অদু তাবদা পরপ–পরপ থোক্লুই। খুনমৈগী রামবীর ওইরম্মী।

ঐনা হংলুই,

"রামবীর, করি হায়গে?"

মহাক্কী মায়থোঙদু হরাউ–নুংঙাইবগী মওং উদে। শকফম অদু ইহন হঞ্জিন্দুনা হায়রকই,

"নুংঙাইতবা পাউ অমা লাকই। উতরৌৎতগী লাকপনি।"

উতরৌৎ খুনগী মমিং তাবদা ময়ূম পানখ্রবী ইচানুপী স্নেহাবু ইমিৎসিদা শঙ–শঙনা উরকই।

তহা–তহা ঐনা হংলুই,

"করম তৌবা পাউনো? কনানা পীরকপনো?"

"নরেশতু গৌরী খুন্দা মচানুপীগী মনাক্তা চৎলুই। হল্লকপদা উতরৌৎ খুন্দা ঙাইহাক পল্লিঙৈদা স্নেহাগী য়ূম্লোন্নবনি হায়দুনা নুপা অমনা খরা য়ৌবিখো হায়দুনা পাউ অসি হায়রকপনি। ঐগা লম্বীদা থেংনবদগী নরেশনা হায়বীদবা য়াদবনি হায়রকপদগী লাকপনি। স্নেহাদু লৌবুক্তা চৎপদা লীন্না চিক্লে। কন্না লাইকন্নদুনা হোৎনবদা ঙমদ্রে হায়না তম্লকই। পাউ অসি হেক ফংবগা য়াম্না থুনা য়ৌরক্লবা হায়রকই।"

পাউসি তাবদা কোকসিদা নোংমৈ শীংজংনা পানবগুম থোকখি। মীৎকুপ খরা তৌফম খঙদনা লৈখি। পাউ অসি তারগা স্নেহাগী মমাদি তেংথা–তেংথাদুনা কপখৎলক্লে। মাগী খোঞ্জেল তারগা য়ূম্লোন্নবসু চঙশিল্লক্লে। থেমজিনবীবগী মহুৎতা মখোয়সু তেংথাবা য়াওররে।

মীৎকুপ খরগী মনুংদা য়ূম্লোন–কৈরোন্নবশিংনা শুমাঙ মাঙ্গোল থল্লরে।

ঐ ৱাখল অমদা লুপ্তুনা লৈরি।

"লীন্না চিকপা লায়েংবা ঙম্নরবা মতমনি। মখোয়না মতম চানা লায়েংবীদদুনা শিবা ওইরমগনি। ইচা শিরগা য়ূমদা লাক্তুনা পাউ হায়রদ্রদুনা পাউথাং ওইনা থারক্লিবা করিগীনো? মখোয়না ঐখোয়বু উশিত্তে হায়বা নৎত্র? – ঐগী থম্মোয়

ঐ ময়ামদা হায়,

"ইচা নুপীদু লীন্না চিক্তুনা শিবা ওইরম্লোই। ঐ থাজবা ঙমদে। মখোয়না হাৎপা ওইরমগনি।"

তাদা শিভমনা হায়রকই,

"উম, মদু ওইবা য়াবা ৱানি। লীলনা চিকপদা খুদক্তদি শিরোই। লায়েংনবা মতম শোয়দনা ফংগনি। লায়েংলগা ফবা ঙম্বা অনাবনি।"

মমাঙদগী সাগরনসু য়ানীংবা উৎলদুনা হায়,

"লীন্না চিক্তুনা শিরে হায়বসি চিংননীংঙাই ওইবা ৱানি। হৌজিক পম্বদুনা লৈবা মতম নৎত্রে। ঐখোয় নুপা মখৈ চৎসি। কনানা খঙগনি পোৎলোইবনা হাল্লন্নবদি করিমত্তা খঙলরোই।"

স্নেহাগী মমানা হায়রকই,

"ঐখোয়না থুংদ্রিঙৈদা পোৎলোইবা য়াবা হৌনদে।"

মাগী ৱাফমদু তারগা ঐনা হায়,

"করিগী য়াদনি। মখোয়না ইচানুপীদু হাৎপা ওইরন্নবদি খঙদনবা হায়দুনা ঐখোয় লাকপা নংদ্রিঙৈদা পোৎলোইগদৌরিবনি।"

মীৎকুপ অহুমদং লেপ্পুরগা ঐনা মখা তানা ময়ামদা হায়রুই,

"অদুদি ইচিন–ইনাও, ময়াম পুন্নমক উতরৌৎতা খরা চৎমিন্নরুসি।"

পম্বা তৌদনা ঐখোয় তরামাথোই জীপ অমদা লাক্লে। ইশা–ইশাগী অরৈবা নোংমৈ – দবল বেরেল অমদি সিঙ্গল বেরেল মঙা তরুক হাপচিল্লে।

মুগল সরাইদগী ববুরী লেৱাং লম্বীদা উতরৌৎ তম্না থৌরক্লে। য়াম্না থুনা য়ৌনিংবনা কন্না থৌরিবা জীপ অদুদগী কুমথদুনা চেল্লসিরা খল্লি।

মমাঙগী চহীদা স্নেহাগী মচন্নুপী লুহোংখি। মদুগী মতাংদনি –

অয়ূক্লি। ইথা থাজদনা ইচানুপীগী মকুবোক ভুপেন্দ্র লাক্তুনা হায়রে,

"চাদিং য়াম্না তৌবা তারি। ইবাইনা শেন খরা পাংবীরবদি য়াম্না মতেং ওইগনি।"

শেন য়াম্না চিনবা মতমনি।

অদুনা ঐনা হায়,

"নাতে চাদবা তাঞ্জা হায়বদু থোক্লে। নতেং পাংনিংবনি। হন্দক্কী মতাং অসিদদি ঙম্লোইদৌরি।"

মতেং পাংনিংবা পাংবা ঙমখিদে।

"মদুগী মলোম থমদুনা ইচানুপীদা তাইনরিবরা?" – ঐগী থম্মোয়

মদুগী মমাঙদা নোংমসু,

"ইবাই, জীপ অমা লৈনীংই। পৈশা খরা ৱাৎকদৌরে। ইবাইনা খরা পুথোকপীয়ু। য়াম্না থুনা পীরক্লে।"

ঐনা ঙমদদুনা পীখিদে। তশেংনা লৈতবা মতাং থোকখি। মতেং পাংবা ঙমখিদবগী নুংঙাইখিদে।

অৱাং লৈকাইগী পঙ্কজগী মচানুপী পারুল লুহোংবা চহী ফাদ্রিঙৈদা শিরমগদবদগী শম্নাদা লীৎহৌই। লুহোংবদি নীংথিনা হায়ন–শীংনদুনা লুহোংখিবনি। অউনপোৎকী মতাংদসু অঙম্বা পীবদা য়ানখি। ময়ায় ওইরপ্না অউনপোৎ পীখিবনি। অদুবু থা তরেৎ–নীপাল লৈরগা লুপা লাক্ষ অনী হাপ্লক্লবা খঙহল্লকখি। পঙ্কজনা ঙমদদুনা পীখিদে।

নুমিৎ খরনি লৈরগা থবক শুবা চৎমিন্নবগী মিংদা পারুলবু লৌবুক্তা পুরম্মী। অদুগা গুহাদা ইম্বদুনা হাৎনবা হোৎনরম্মী। পারুলনা মনাক নকপা মীওইশিং তানবা কন্না লাউবদগী নাম্থোকহৌখি।

"মসিরা নিঙোল পোকপা পাপ্নি হায়বদু? ইচা নিঙোলবু শিন্নবা লুহোংবিবা তারবরা? লুহোংবা হায়বসিবু অউনপোৎকীদমক লুহোংনবরা? মীওইবগী নুংশিবা হায়বদু মতম অসিগী মীওইশিংগী থম্মোয়দা মরীক অমা ফাওবা পক্কবরা?" – ঐগী থম্মোয়

ৱাহং কয়ানি, পাউখুমদি ফংদ্রবা।

মথং–মথং লাকপনা লেৱাং য়ৌগদবা কিলোমিটর মঙারোমদা ঙাইরক্লে। খুন অসিগী মথংদা চৎলগা উতরৌৎ য়ৌরগনি।

ইমীৎ অসিদা উরি ইচানুপীগী খুন উতরৌৎ। ঐ লাকপা উবদা ইচানুপীনা হরাও–হরাওনা চেম্থোরকই। অদুগা খোঙ শোক্লা খুরুম্লরি। অদুবু কদায়? লেৱাং তাবা ফৎত্রবা লম্বীদা জীপনা অমুক্তং য়েৎ–ওই খঙহাই হাইরকপদা ঐগী ৱাখল মঙলান কায়খ্রে। জীপ্না থোক–থোক নোমদুনা চৎলি।

চহী অনীগী মমাঙদা,

ইচানুপী স্নেহাবু ভুপেন্দ্রগী মচানুপা নিতিনদা লুহোংখি। ৱাখল তামিন্নবগী হৌনবা য়াম্না ফজনা চাদিংদি য়ামহন্দনা লুহোংখি। ঐখোয়না পীবা ঙম্বা অউনপোৎ খরা পীবদা মখোয়নসু হরাউনা য়াখি। অউনপোৎ পীবদা হীদান্নবা, অউনপোৎ তানবগী চৎনবীনা লাকহৎলবা লমদম অসিদা ইচানুপীগী লুহোংবদু ময়ামদা ঙক্লা থোকখি।

অরেম্বদা চাদিং য়াম্না তৌহল্লগা পেনজবা মীওই খরনদি কল্লকপোই–করিবোই মচিনমক্লা ঐঙোন্দা হায়খি,

"হৌজিক্লা ৱাখল তান্নবা, লৈবাকমচা তাবা শারগা হয়েংনে অউনপোৎ হাপ্পকখো হায়দুনা ইচাবু ওলক্লোইকো?"

ময়ামগী ৱাসি তাবদা ঐ শাউনিংবা পোকই। অদুবু ফাথদুনা খুল্লুই,

"অউনপোৎকীদমক মীওৎ–মীনৈ তৌবা ৱাখল তাবা ৱাৎনবদগী থোকপনি। ৱাখল তান্নবশিংদি মদু তৌদে।"

মতম অদুদা ঐনা হায়খিবা ৱাফমশিং অদু ঙসিতদা নীংশিংলক্লে।

উতরৌৎ য়াম্না লাপ্পা খুন নত্তে। কিলোমিটর কুনতরুক–কুনতরেৎমুক্তগী লম্বীনি।

"নকখ্রবা লম অসি ফাওবা ইমুংগী মী লাক্তুনা পাউ হায়রদে। করিগী মখোয়না পাউথাং ওইনা মীঙোন্দা পাউ পীরক্লিবনো? মখোয়না মরাল লৈবদুনা ইমুংগী মী লাক্লগা পাউ হায়রবা ঙমদবা নৎত্র?" – ঐগী থম্মোই

লেৱাং খুন য়ৌরক্লে। মসিদগী কিলোমিটর তরুক্তং চৎলগা ইচানুপীগী খুন য়ৌরগনি। গারী মতীক চানা চেন্দবদগী তেনখ্রবা লম অসি করি–করিগুম্বদা মতম কুইনা চঙহল্লি। করিগুম্বদা লম্বী অসিদা চৎপা মীওইশিং খুদোংথিবা নংদবসু নত্তে। মরক–মরক্তা গেং কাঙবুশিং মথি ফোঙবা য়াওই।

ইচাগী খুন উতরৌৎ য়ৌশিল্লক্লে।

"ইচানুপীগী মনাক্তা চৎপা খুদিংদা ইচানা হরাউ–হরাউনা থোরক্তুনা ঐখোয়বু ওকখিবা। ঙসিদি কনানা ঐখোয়বু ওকপীগনি? ইপাগী ইবেম্মা, স্নেহা নঙবু ঙসি ইপাবু ওকপা থোরক্লোইদ্রা? ঙসি নঙগী ননাক্তা ইপা লাক্লিনেহে।" – ঐগী থম্মোয়

ইচানুপী ৱাখল খল্লুবদা ঐগী মীৎলুদগী পিরাং মরীক অমা–অনী নাম্থখিবা খঙহৌদে।

ঐখোয় ময়াম শেম–শাবা হৌই। য়াওরকপা নোংমৈশিং লৌথোক্তুনা ফীভম শেমদুনা পায়। জীপকী খোঞ্জেল হন্থবা তৌদনা ইচানুপীগী থোঙ্গাল তম্না থৌজিল্লক্লে। থোঙ্গালদা ফন্নম্বা, লম্বী চৎলম্বা পুন্নমক হৌদুনা চেনখ্রে। থোঙ্গালদা শম্থি খোইবাক শাদুনা লৈরম্বী নুপীশিং হোৎতুনা ইমুংলোমদা চেনশিনখ্রে।

নোংমৈ মরু অহুম–মরি কাপথোকই। জীপ হেক খাম্বগা ঐনা মাঙ থাদুনা থিংজিল্লম্বা থোঙ্গাল অদু খোঙপাক্লা কাওদুনা হাংদোকই।

লাপ্তক্লা নুপী অমনা অরৈবা খোঞ্জেল থাদুনা লাউরদুনা হায়বা তায়

"থোঙ লোনশিল্লো। গেং কাঙবু লাক্লে।"

নুপী অঙাংশিংনা কিদুনা লাউনবগী খোঞ্জেল তাই।

ঐনা শাউনা লাউরদুনা হায়রুই,

"ভুপেন্দ্র! কদায়দা লৈ? নুপী–অঙাংদা নথৌনা ফবা, নরিল লৈরগা থোরকউ।"

নোংমৈ কাপ–কাপ্তুনা চঙশিল্লি। মমাঙগী থোঙজাউ অদু খোঙনা হঞ্জিন হঞ্জিন কাউরগা কোইরাউ–লাউদুনা হায়,

"মীকিথি, থোঙ করিগী লোনশিল্লি? ইচানুপী স্নেহা হাৎপগী নঙগী ইমুং তুম্না হাৎত্রিবমখৈ য়ূমদা অমুক হনখ্ররোই।"

মীওই খরনা নোংমৈ মনিংনা শুদুনা থোঙনাউগী মিংশেল থুগাইবা হৌরকই। শুমাঙদা ফৌরম্বা গেহু চাইখাইরকই। শুমাঙ মচিদা পুল্লম্বা ইরোই উচুক ফুক্তুনা মমৈ থেকৎলগা চেম্থোকখ্রে। ইরোই মচা অমা মপী চেনখ্রবা অদুদা উচুক ফুকপগী মপাঙ্গলদি য়াওদ মতূং ইন্নিংদুনা খোঙল– খোঙলদুনা উচুক অদুদা উরু–উরু লৈদুনা লৈরি।

অহল অমা য়েন্নখারোমদগী চৈশু শুদুনা থোরকই। তপ্না–তপ্না চঙশিল্লকই। ভুপেন্দ্রগী মপানি। ইমাংদা লেপ্পরদুনা হায়রকই,

"ইবুংঙো কমল, নহোয় ওইরে।"

অকিবা, পাখৎপা করিসু য়াওদনা কৌরদুনা হায়রবা অদুদা ঐ ঙক্লুই।

মানা মখা তারকই,

"ঐখোয়দি কনাগী গেং কাঙবু লাকএ হায়দুনা কয়াদা পাখৎলুরে। ঙাইখো, তপথখো। ঐ ৱা হায়গে।"

ঐখোয়গী অশাউবা শকফম, নোংমৈ কাপ্তুনা য়ৈখাই–থুগায়ররিবা অদু উবদা হায়রকপনি।

ঐনা হায়,

"মাম্মা, থোক্লিবা থৌদোক অসিদা করম্না তপথগদৌরিবনো? মাম্মগী নশুনুপীদা থোক্লবা ওইরবদি করি তৌগনি?"

"ঐগী ৱাসি অমুক্তা তাখোনে। অতো, সুম তৌবনি। ইশু মতু নাম্মা তেক্তেনে। করিসু তৌদেনে।"

ঐখোয় ময়াম ঙকপনা খম থেংই। অমনা অমদা য়েংনৈ। অদুগা মখা করি তারক্কদগে হায়দুনা মঙোন্দা য়েংদুনা লৈ।

মানা হায়রকই,

"ইশুদু লৌবুক্তা চৎপদা ক্লাক অমনা মকোক্তা হেক তোংলম্লমাল্লে। ইপা–ইপু হাক্তক্তগী চৎনরকপা থাজনবী মতূং ইন্না ফত্ত–নুংদা থোক্তনবা হায়দুনা পাউ অদু অতোনা থাখিবনি। মাগীদমক্তা মমীৎতগী মপী তানা কপ্তুনা তেংথাবীরবদি ফৈ হায়দুনা তৌখিবনি।"

মাম্মগী ৱাদু তাবদা অমম্বা অহিংদা খঙহৌদনা নোংথাং থাউমৈ কাপ্লকপদা মা–মাদুনা থিরম্বা পোৎশক অমা খঙউ উরকপগুম ৱাখল খঙতা তারকখি। তাল্লক অসিদা মমাঙগী থোঙজাউ হাংদোরকই।

"তাদহোয় ওইরে। ঐখোয়দি গেং লাকই হায়দুনা মিহুনকাসি আ য়ৌনরুরে।"

চরপাই লৌথোক্তুনা শুমাঙদা থাররে। ঐখোয় ময়াম ফমদুনা নে–না তানা ঙাইহাক নুংশা হোন্দোক্লে।

লৌবুক্তা চৎখিবা ইচানুপী পাউ থাদুনা কৌরুরে।

ইরোই পীজনবা জ্বর কোকথোং অমা মকোক্তা থোঙ্গৎলদুনা স্নেহা থোঙ্গালদগী চঙলকই। মপুরোইবা নিতিন অমদি মকুবোক ভুপেন্দ্রসু তুংথা–মাংথা লাক্লে।

ওম্থোকপা মঙগুম্বা থৌদোক্লি। মৈ হৌনা শাউদুনা বোম্না হৌরগা চঙশিল্লুবা লান অদু পোকলাউবীনা লোইশিন্দুনা হল্লক্লে।

কমলগী ৱারীদু তারগা মশুনুপা মনিশনা হায়রকই,

"ইপুহোয়গী মতমগী ৱারী অসিদি নহানঙৈগী ৱারীদগী পুংতোন তোঙাল্লিহে।"

# শৈরেং

## ঐগী য়ূমজাউ

*– ইরোম মোবি*

মথংগী সঙাই ফেষ্টিভেল নঙনবা
মমাঙঙৈগীগুম্না তুম্নৌ ইনা কুপ্তুনা
কা মাপলগী য়ূমজাউ অমদা
নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা
পারম পুরম ঙাক্তুনা লৈরবদি
মীয়ামগীতা নৎতনা ফোরেন টুরিষ্টশিংগী
পূক্নীং চিংশিনবা ঙমগনি
সঙাই ফেষ্টিভেলগীনা
মতীক ময়াই হাপকৎকনি।

## অরোইবা মীৎকুপ

*– নিংথৌজম ইবোপিশক*

ৱাহৈ অমতং হায়নবা
লেঙলকপা চিনবান্দুনা
ঙাংথোকপা ঙমদনা
মকশিনখিবা মায়থোঙদো।

মীৎকী মীৎলুদগী
শিম্থরকপা পিরাংনা
থম্মোয়নুংগী ৱা খরা
ফোঙদোকপগুম তৌই।

পেন্না য়েংবা মীৎয়েংদুনা
অরোইবা মীৎকুপ লাক্লবদা
উইশিনখি তপ্না তপ্না
কায়নখি লোয়নমক পূংজাদুদা।

উতুপ তাবগুম লৈখি
অঙৌবা ফিরোলনা কুপশিনখি
হকচাং পূম্বা খূৎনা
কাইনখি থৱায়গা হকচাংগা।

## ফজবা মীনোক

*–নাওরেম অমুয়াইমা*

তুমহৌরকপগা নুংঙাইতবা মঙদু
নীংশিংলম্মী
পূক্নীং নাওশোন্নখি
ৱাবগীদমক্তা হিংলিবরা খল্লদুনা,
পৈশানা ঙমদবা নুংঙাইফম খঙদবা।

থংনবা ইঙ্খোলদা মৈগুম শাৎলিবী
মতমগী মৌ নহাগী খোঞ্জেলনি
ফাক ফাক লাউনা নোক্লকই
খংপ্রেক খংঙি !
পেন্না নোকখি
য়াওশঙ লৈশাবী ভন্দ্রাগী খুননোক্তা।

ইঙ্খোলদু পুমনিন নিনখিরম্মী
শুমাঙদা তারম্বা খুনু পাইখি
উমংগী উরীকসু পাইথোরকই,
নোকমি নোকমি শাৎলম্মী
লমগী লৈরাং ফোরগেট মি নোট
পূক্নীং খংয়াং য়াংখিরম্মী
ৱাখল মদোমতা নোকচখি
ঙসি ওইরম্মী ফজবা অয়ূক
ঙসি ওইরম্মী নুংঙাইবা নুমিৎ।

## মতম

*– ব্রজমোহন কোন্সম*

লেপনাইদবা নহাক্কী ইচেলদা য়াওরকপরা
মপান নাইদবা মালেম–তাইবঙপাল?
লূপখ্রে কাউঙমদ্রবা লাংওন কয়া কয়াসু
লেপ্পা লৈতবা নহাক্কী ইচেলনুংদা।
তিনখ্রনি ঐখোয়সু কুপ্লবা ঈরিক্লুম
খঙহৌদনা, পাক চাউরবা নঙগী ঈচেলদা
মীৎকুপ অমগী পুন্সি লোইদুনা
কনানসু খঙবীদা কনানসু তাবীদনা।
চেম্থখিগনী নহাক্তি লেপ্তুনা
য়ৌনাইদবা পম্থুং অদুদা।

## য়েন্নীংথা মমৈগী কোকিল

*–কাংজম নন্দকুমার*

য়েন্নীং থাগী হৈপাল লৈপালদা
তোংদুনা খোংলবা কোকিলনি ঐ
ঐগী কোনয়াই মমি তাখিদ্রবা ফৈজোম পুময়াৎ
ইরাৎ ইশোন অহুম মরিদগী তাদনা ননশিনখ্রবা
হায়দোক্তুনা য়েংলুই ঙসি অমুক নৌহৌনা।
মঞ্জুনরবা শাউনগী হৱাই চপল
লাইনীং লাইশোন মফম অহুম, মরিরক্তা
হঞ্জিন হঞ্জিন ওম্থোক্লখ্রবা
থাংদোক্তুনা য়েংলুরি।
কাখল নাইনা শেম শারবা
মখা ইথং থংবা কা অদুদা
লৈরমখি উফুল ৱাইফুলতনা তৈরদুনা।
কমলা মমা কৈথেল লুকমাই পানখ্রি
শজিবু নোংমা পানবগী, নুংশাগী মৈশালক্তা
মনা মশীং খরা য়োন্নবগীদমক
লৈত লায়রবা কোক্লবা।
য়ূমগী চরাসু তমখিদে,
মী খ্বাইগা মান্নবসু নত্তে,
মীতৈ চনু অশেংবা
লীংজেল থৌনা পুথোক্তুনা
খ্বাঙদা খ্বাঙচেৎ লাক্তুনা
মখূৎতা তেম পায়রদুনা
চেঙ পুথোকখিবা য়ারোই
লাউবা ঙম্বসু নত্তে।
মীরক্তা অদুক য়াওবা খক্তনি,
শীংজুগী মচলগুম্বনি।
মানি ঐদি য়েন্নীংথা মমৈগী কোকিলনি
হৈপাল লৈপাল শীনবা থুংনা পাইরিবা।

(শৈরেং অসি ঙরাং থাংজ নুমিৎতা ফোঙখিবা শৈরেংগী লাইরিক "বসন্ত মমৈগী কোকিল" দগী লৌথোকপনি।)

# তাবুনুংদগী

*মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি থাংজম ইবোপিশক্কী ১৯৬৯ দা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা শৈরেংগী লাইরিক অপাইবা থৱায়দা য়াওবা ' 'ঐগী ডাইরী'' কৌবা শৈরেং অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি*

## ঐগী ডাইরী

"অচুম্বগীদমক থৱায় থাগনি"
অসিনি ঐনা লাউরিবনা
অদুবু ইরম্বদি – "অরানবা লীচৎকী
মোৎলবা ঈনা ঐগী শিংলী থল্লবনি।"
ঐহাক পাঙদে অদবু
পুন্সিগী ডাইরীবুদি মীনমদে,
অসিনি চাউথোকচনীংঙাই অমত্তংদি।
অমুকসু লৈরমই পরেং খরা
স্মৃতিগী নূংদা অমুবা ময়েক্লি –
"নুপী হায়ববু ইমানি,
মীনা শাদগী তোপ্লদি
ফজবা লমচৎ অমসুং মীনুংশিগীনি।"
অদুবু থামম্বা অহিংদুগী নমথী–হাঙাই
নুংশিৎনা সাক্ষীনি,
নোংমা ঐহাক কামগী পেন্নবা থিবদা
থৱান থাগী ময়াই কারবা হূই ওইখি।
ওঃ ঐহাক মিহুন অমত্তংনি কান্নদবা
অশিবা শরৎ–শয়াঙ মূর্ত্তিগী।

*থাংজম ইবোপিশক*

## মণিপুরী পাম্থে –পাউরৌ, পাউতাক

* **ঐসিবু ঐরনে কনাদা হংলুনি।**
  – মশানা মশাবু থাজরক্তবা।
* **ঐসু চাক চারিবনি।**
  – লোইনা খঙঙি, লোইনা উই, অপঙবা নত্তে অসিনি।
* **ঐয়ো চৈথেং ফংলগা খঙগদবা ঙাক্তনি।**
  – অৱাবা তারবা, চৈনা খাঙবা ঙমদ্রবা মতমদুদা খঙগদবা ঙাক্তনি।
* **ঐরা নঙলা অমদি শোয়দ্রে।**
  – অনীগী মরক্তা অমদি ওইরে।
* **ঐ শিয়ু নঙ হিংহৌগে হায়বদি কদায়দগী য়াগনি।**
  – মীওইবা হায়বসি অৱাবা তানিংবা শিনিংবা কনাসু য়াওদে। মানা নাম্থোক্লবা তৌরগা ঐবু অরানবা তানবা শিনবা।
* **ঐ হিংলগা লোইরে, অতৈদি নৱাচা।**
  – পুকচেল পিকপা মশাগীদা খনবা মী।
* **ঐ ফরবদি জগৎসু ফরবনি।**
  – ঐ ফরগা পুন্নমক্কীসু ফবা ওইবা।
* **ঐবু করি নুংগীনো হায়বদু হেক য়ৌই।**
  – মপূক্নীং পেন্দবা ফোঙদোকপা।
* **ঐবুদি ঐ ওইরেনে।**
  – নাপল কাবগী ৱাঙাং।
  – মহাক্লা মীঙোন্দগী হেল্লি হায়নীংবা।
* **ঐনা কাপ্পা তেনবু পান্দবা হৌনবরা।**
  – মশানা তৌবা থবক্কীদমক মথন্তা চাওথোকচবা।

***খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন***

## চানক্য নিতি

– অরাপ্পদগী য়ূমদা লাকপা অতিথিবু পীজদনা মানা চারিবদু মীদু শোক্ল–শম্ন য়াদবা চান্দালনি।
– বেদ মর পারবা, ধর্ম শাস্ত্র ময়াম নৈনরবসু মশাবু (আত্মবু) খঙদ্রবদি, মীদু খাবৈনা লোইনা ওৎলবসু মহাওদি খঙদবগুম্বনি।
– ব্রাহ্মণ মওং ওইবা অঙকপা হি ফংলবা মহাক অদু লাইবক ফরবনি। হিনুংদা চঙজরবদি (তাইবঙ) ঈপাক লানবনি, মপান্দা ফমজিল্লবদি ঈরাক্লবনি।
– নুমিৎকী ময়ূম চঙলুবদা থানা মঙাল মাঙখি অমসুং নুমিৎকী মতূং ইল্লি মতৌ অদুগুম্না মগুণ ফনা লৈদুনসু মীগীদা শাইদাংদুনা লেনবা মীগী মগুণসু মাঙই।
– অচৌবা খোইমুনা থম্বালগী থোৎলবা লৈকাদা তোংলগা লৈহি পেন্না থকই, অদুবু য়েক্লবা কাঙলূপ ওইবা কৃতজগুম্বা লৈদা ৱাংনা পাইখত্তুনা তোংলুবদদি লৈহিসু খজিক্ত ফংই অদুগা তিংখংনা ময়াম থিল্লি।
– (ভগবান বিষ্ণুনা মাগী লোয়নবী (লক্ষ্মী) দা করিগীদমক ব্রাহ্মণদা শাউবনো অদুগা মখোয়গী য়ূমদা নহাক্লা করিগী লৈতবনো হায়না হংবদা লক্ষ্মীনা খুমখি) "হে প্রভু! ইপা (সমুদ্র) বু (অগস্তঋষিনা) শাউদুনা থক্তোকখি, (ভৃগুনা) ইবুংঙোদা খোঙনা কাওখি, ব্রাহ্মণশিংনা মতোমতা চাউথোকচৈ, ঐগী য়েক্লবা সরস্বতীবু পূজা তৌই, ঐগী য়ূম ওইবা থম্বালবু নুতিগী থদৎলি ( হেকই), মখোয়না ভগবান শিববু পূজা তৌই। মরম অসিনা প্রভু, ঐনা মখোয়গী য়ূম্থু থাদোকই।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

## মণিপুরী পাউখোং

২৮২. মপাদি য়াম্বা মমাদি অমখক্তা ওইবা (নৎত্রগা য়ামগন্দবা) করি জীবনো?
২৮৩. মচা পোকঅগা মচাগা লৈমিন্নদবা জীবা করি জীবনো?
২৮৪. খূৎলাই য়াওদনা ম্যুজিক খোংবা করিনো?
২৮৫. চাওরগনা মচা পীবা, পীকঅগনা অচৌবা পীবা করিনো?
২৮৬. মমায় চাম্মবসু ফৈজে হায়নবা করিনো?
২৮৭. পাইদনা, থেংদনা কায়গনবা নৎত্রগা থুগাইবা করিনো?
২৮৮. অমুক্তং কেবদা থা অমরোম চৎপা করিনো?

***পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমায় অসিদা ফোঙদোকচগনি।***

---

***মমাঙ নোংমাইজিংগী (০২–১২–২০১৮) পাউখোঙ ফোঙবা***

২৭৭. ৯৯ দা ২, ৩, ৪, ৫, ৬, ৭, ৮, ৯ না পুরিবনি অমসুং মদুগী ফলশিংনি
২৭৮. পোকপদা হরাওদবা শিবদা কপনিংদবা
২৭৯. কংলা শঙ্গোমশঙ
২৮০. সিফাই কৌবা লমশিং – ক্লাকসিফাই, শুনুসিফাই, ইরুমসিফাই
২৮১. ঙাথী

## কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

* **নাহী তারক্লবদি?**

করিগুম্বা নাতোন্দা থেংজিন– খোংচীনখিদুনা নৎত্রগা অতোপ্পা মরম অমদগী নাহী তারক্লবদি খুদক্কী ওইনা ফহন্নবগীদমক লোংনা হীপথবিদুনা লৈবিয়ু অদুগা হৈক্রু অতেকপা অমা–অনী শুগাইবিরগা নাতোন মখুন্দা থোমজিনবিয়ু, খুদক্কী ওইনদি নাহী তাবা খকখিগনি।

* **প্লাষ্টিক্কী (চাগী) লৈ শেংদোকপিগে হায়রবদি?**

লৈতেংগী ওইনা থম্নবিরিবা চা (প্লাষ্টিক) না শাবা মখল–মচু কয়াগী লৈশিংনা মোৎশিল্লকপদা ইরায়–লায়না শেংদোকপিগে হায়রবদি, পোলিথিন খাউ অমদা থুম কপ অমরোমগা কোন্ননা চাগী লৈশিং অদু হাপচীনবিয়ু অদুগা খাউগী মচীন চেৎনা পায়শীনবিরগা মিনিট মখায়–মখায়মুক্কী চাঙদা ঙাইহাক–ঙাইহাক অহুম–মরিরক নীকথোকপীয়ু।

* **পয়া অমদি অকনবা (অরীংবা) থৌরীশিংবু মেজিক্লুম থোৎহনবিনিংলবদি?**

পয়া নৎত্রগা অতৈ অকনবা থৌরীশিংবু মেজিক্লুম থোৎতোকহল্লগা শীজিন্নবিগে হায়রবদি সাপোন নোইশিল্লবা ঈশিংদা হান্না ঙাইহাক্তং তীংথোকপিখো।

*( খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশিং কয়া য়োনখ্রবা সনখোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক "কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু" দগী লৌথোকচবা)*